# ফুটবোল্লর অমা ওইনা লৌবা য়াবা মনা কয়াদি লৌজরকখ্রে অদুবু কুমজা ২০১০দগী ঙসি ফাওবা ঐহাক পুলিস কনষ্টেবল ওইনা লৈরি



ঙাঙোম বালা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

(হান্নগী মখা)

থবক ইনখাং চঙলকখিবগী মতাং অসিসু কুমজা ২০০২দা তৌখিবা হায়দরবাদ নেসনল গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকপদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পীখিবা অদুদা চঙজরকখিবনি। থবক চঙননবা তৌবা মতমদুদদি ঐদি অঙাংসু য়াম্না ওইরি। মথং মথং প্রোসেস তৌরকপনা, কুমজা ২০১০দা মণিপুর পুলিসতা কনষ্টেবল ওইনা জোইন তৌজরকখি। মেত্রিক পাসতনি থবক চঙলকখিবদুসু। অদুবু কুমজা ২০১৩দদি ঐহাক গ্রেজ্যুয়েসনসু লোইশিনজখ্রে।

অমরোমদা, ঐহাক ইশামকসি কুমজা ২০০৫দগী ইন্টর্নেসনল থাক্তা শান্নজবা ঙমজরকখ্রে। মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা কয়ারকসু মায় পুজরকখ্রে। অদুবু ঐহাক চহী মাপলরোমসি মণিপুর পুলিসতা কনষ্টেবল ওইনা অদুমক লৈজরক্লি। পুলিস দিপার্টমেন্টতা লৈহায়বদুদা করি রেঙ্কতা লৈবগে হায়দুনা মপানগী মিদিয়া কাংবুনা হংলকপদা ওৎলৈ-পারৈ তৌদুনা খুম্বদসু অৱাবা অমা ওইরে। টিম ৱার্কতা শান্নজবা ওইরবসু ঐহাক্না পিজখিবা পর্ফোমেন্সকী মতুংইন্না মিদিয়া কাংবুনা হেক হেক ইন্টরভিয়ু তৌবীবসিসু অদুম তোইনা থেঙনজে। করিগুম্বা মতমদদি ইকাইবনা খুমফম খঙদবসু য়াওরকই। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইনা কয়ারক চৎলুরবা, বেষ্ট ফুটবোল্লর দি ইয়র হঞ্জিন হঞ্জিন তাখ্রবা, বেষ্ট স্কোররগী মনাসু কয়ারক পুরকখ্রবা অসি ফাওবদা প্রমোসন অমা ফাওবা পীবিদবসিমদি তশেংনা নুংঙাইজদে। করিসু নত্তবা বেঞ্চতা ফম্নগা লৈবা ইন্দিয়াগী মপান্দা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলুবা প্লেয়র ফাওবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটকী ওইনদি প্রমোসন মথং মথং কাখিদুনা অচৌবা ফম পায়নখিবা ময়াম অমসু য়াওখ্রে। ফিভমসিদা ঐখোয়সু মরক মরক্তদি য়াম্না তন্থবা ফাওরকই। কনাদা হায়জরুগদবনো হায়বসু খঙদে। অমুক্তংদি মণিপুর এসেম্ব্লীদা কুমজা ২০১৫/১৬কী মতমদা, ওনরেবল এম এল এ আই ইবোহলবীনা পুখৎপীবদি লৈখ্রে। মদুদা পাউখুম ওইনা খন্নগে হায়দুনদি খুন্নকখিবনি। হৌজিক ফাওবা অদুম খন্নরিবা মাল্লি। থবক ওইনদি পায়খৎপীরকখিদ্রে।

> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
> **ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা**





অদুগা হৌজিক ঐনা ফংলিবা কনষ্টেবলগী থাগী তোলোপ অসিদি ৱর্ল্ড ষ্টেন্দার্দকী বুট অমা লৈবা ফাওবা কোন্নদে হায়বা তাই। ইথন্তা ইকাইজবা পোকই। য়াম্না হেন্না মমল তাঙবা উপ্পা ঙমদ্রবসু লিশিং কুন পীবা অদুৱাই ফাওবদা পীবা উপত্রবদি করমহায়না কম্পিটিসন য়াওবা ঙমগনি। চৎনবা য়াবা বুটতী ঐখোয়সু উপ্পা তাবনি। শান্নবা হৌরকপা মতমদসু ঐদি য়াম্না ৱানা হৌজরকখি। অদুনা ফুটবোলসিদা ইশাগী খোঙফম অমা শেমজবদি হেক শান্নবা হৌজরকপদগী পামজরকখি। অমরোমদা, শান্নবা হায়বসিসু শেল চঙই। মতাং মতাংগী ওইনা ইশাগী ওইবা ইক্কুইপমেন্টতী লৈদবসু য়াদে। শেল-থুমগী মতাংদা অৱাৎপা কয়া লৈবনা পেন্দবদি য়াম্না লৈ। থবক তৌরবনি হায়দুনা ইমুং মনুংগী ইমা ইপা ফেমিলিসু য়েঙদবা য়াদে। তশেংনা শান্নরোয়গী ইমুং হায়বসিদি অয়াম্বনা লায়রবা ঙাক্তা ওই। ঐসু লায়রবা ইমুংদগী হৌজরকপনি। থবকসিসু কনষ্টেবলদগী শুকহেন হেন্দ্রে। তোকসি কদাই, তৌসি করম, নিংজিং-মাংজিংনদুনা মতমসিসু অদুম হৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা মণিপুরদা নুপী ফুটবোল্লর ওইরুবসিগী পেন্দবা, নুংঙাইতবা কয়া অমসু লৈরি। ষ্টেটসিদদি নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংসি কয়া লুম্না লৌদবগী ফিভমদসু লৈরি।

অদুগা টিম ৱার্ককা, ইন্দিভিজুয়েল গেম শান্নবগা অনীসিসু মণিপুরদদি থাক অমমদা থম্বগুম তৌরি। প্রমোসন মতাংদা হায়জরুবা মতমদা, নখোয় টিমদা শান্নবদগী খন্দোকপা হায়বসি অরুবা ৱাফমনি হায়বগুম্বা অমা হেক হেক শিজিন্নরকপগুম তৌই। মতাংসিদা ঐগী মায়কৈদগী থমজনিংবদি, টিম মরক্তগীসু তোমথিন ওইবা করিগুম্বা খরা তৌরক্লগদি মদু কাউন্ট তৌরোইদব্রা? ঐহাক ইশামক হেক শান্নজরকপদগী অফবা পর্ফোমেন্স খরদি পীজদুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৭, ২০১৮, ২০১৯গীসু তোপ স্কোররনি। আই দল্লীয়ু এলদসু নেসনলদসু তোপ তোপ্পা মীঙচৎ কয়া পুদুনা লাক্লি। ... মথং মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১০

১) অঙাং ওইরিঙৈদা ঐগী খুরাগা ফুটবোল শান্নবা চৎপদা ঐগা চৎমিন্নৈ। মহাক্না ফুটবোল শান্নরিঙৈদা ঐনা ভাবকশিংগী খোঙুপ কাপ থারগা পৈশা তাল্লি। ঐহাক কনানো? ঐসু ফুটবোল শান্নবদা অফাওবা ওইরকখি।

২) মহাক টেষ্ট ক্রিকেটরনি। বেটিং তৌবা মতমদা Right Hand Batsman নি। বোল্লিং তৌবদদি খুৎ ওইনা হুল্লি। মহাক টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা টিম অমগী কেপ্টেন ওইরম্মী। মহাক্কী মমিং পীয়ু?

৩) China গী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইবী নুপী অমগী ফোটো অদু Sanitary Napkin গী advertise তৌখি। মহাক কনানো?

৪) Songjeelen করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী ট্রায়লদা ওলিম্পিয়ন সাক্সি মালিক অমদি পুজা ধন্দা মায়থীহৌরে

লখনৌ, জন্যুৱারী ০৫(এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ফেব্রুৱারী থাগী ১৮দগী ২৩ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াননবা লখনৌদা পাঙথোকপা ট্রায়ল সেলেক্সনদা রিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাক্সি মালিক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদল ফংবা ঙমখ্রবী পুজা ধন্দা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা মেচশিংদা মায়থীবা নংখ্রে।



সাক্সি মালিকনা ৱর্ল্ড কেদেট চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা সোনম মালিক্কা লম্বা তৌনখি। মদুদা পোইন্ট ৪-৬তা অনীশুবা পেরদ লোইরকপা ফাওবদা সোনম মালিক্তগী শোথদুনা লৈখি। অদুবু অহুমশুবা পেরদ লোইগদবা সেকেন্দ ৩দা ঙাইরবা মতমদা পোইন্ট ৬ ফংবা থ্রো অমা লৌবা ঙমখিবদগী বাউট অদু লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১০-১০ মান্নরবসু অরোইবা পোইন্ট লৌবা সোনমনা ফাইনেল চঙখি। ফাইনেলদা সোনমনা রধিকাবু ৪-১দা থোইদুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

অন্সু মালিক্না পুজা ধনদাবু অহানবা সেমি ফাইনেলদা মায়থীবা পীরবা মতুং কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটগরি অদুগী ফাইনেলদা মান্সিবু থোইরগা ইন্দিয়াগী টিমগীদমক ক্বালিফা ওইখি।

অতোপ্পা কেটগরিশিংদা মমিং লৈরবা রেষ্টলর ভিনেস ফোগত (কিলোগ্রাম ৫৩) অমসুং দিবিয়া ককরন (কিলোগ্রাম ৬৮) মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু কোম্না মায়থীবা পীরগা টিমগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। অদুবু নিরমালা (কিলোগ্রাম ৫০) অমসুং কিরন গোদাদরা (কিলোগ্রাম ৭৬) দি অকনবা লম্বাগী মতুং ক্বালিফাই ওইখি।

# হায়দরবাদ এফ সিবু কেরলা ব্লাষ্টর্সনা ৫-১দা থোইখিবদা মণিপুরী মচা ইরোম সৈত্যসেনগী পাঞ্জল য়াওখি

Match on 06 Jan. (Tue.) 2020
ODISHA FC Vs CHENNAIYIN FC



কোচি, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):

কেরলাগী সিটি কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপির লীগকী ৫২রক শুবা লীগ মেচ অদুদা য়ুম্বু কেরলা ব্লাষ্টর্সনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা মণিপুর মচা ইরোম সৈত্যসেনসু পাঞ্জল চনবা য়াওখি।

মেচ অদুগী মাংওইননা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সি রাউন্দ ১০ লোইশিনখিবদা মেচ অমখক থোইরগা ৫ অমনা দ্রো চৎখিবা অদুগা ৪না মায়থীবা নংবদগী পোইন্ট ৯ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা হায়দরবাদ এফ সি মেচ ১০ শান্নখিবদা মেচ ৭ মায়থীবা নংখি। অদুগা মেচ অমখক মায় পাক্লগা অনী অমনা দ্রো চৎখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা ১৪শুবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী মার্সেলিনোনা খাইরকপা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় বোবোনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পুংখাই ফাজিল্লকপা মতম য়ৌরকপদা বোল হেন্না পায়বগী পাঙ্গল কেরলা ব্লাষ্টর্সতা লৈরকখি। জি জুইবরলুননা ৩৩শুবা মিনটতা টিমমেট বি ওকবেচেদা খাইরকখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকখি।

মিনিট ৩৯ শুরকপদা ইরোম সৈত্যশেননা পীরকপা পাস অমদা দ্রোবারোবনা পাঞ্জল চনখি। ৪৫ শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী আর বাওলিনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা ইরোম সৈত্যশেনা ৫৯ শুবা মিনটতা অদুগা ৭৫ শুবা মিনটতা ওকবেচেনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৫-১দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 11 | 6 | 3 | 2 | 21 | 9 | +12 | 21 |
| 2 | Goa | 11 | 6 | 3 | 2 | 23 | 14 | +9 | 21 |
| 3 | Bengaluru | 11 | 5 | 4 | 2 | 13 | 7 | +6 | 19 |
| 4 | Mumbai City | 11 | 4 | 4 | 3 | 17 | 19 | −2 | 16 |
| 5 | Jamshedpur | 10 | 3 | 4 | 3 | 13 | 13 | 0 | 13 |
| 6 | Odisha | 10 | 3 | 3 | 4 | 13 | 15 | −2 | 12 |
| 7 | Kerala Blasters | 11 | 2 | 5 | 4 | 15 | 15 | 0 | 11 |
| 8 | NorthEast United | 9 | 2 | 5 | 2 | 9 | 12 | −3 | 11 |
| 9 | Chennaiyin | 9 | 2 | 3 | 4 | 11 | 16 | −5 | 9 |
| 10 | Hyderabad | 11 | 1 | 2 | 8 | 11 | 26 | −15 | 5 |

# বলগেরিয়া, বৃটেন, ইটালি, রসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জর্মনি মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখ্রে





সিদনি, জন্যুৱারী ০৫(এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাক ২৪গী টিম টুর্নামেন্ট ওইরিবা মমাঙদা ৱর্ল্ড টিম কপ হায়না খঙনরম্বা হৌজিক্না এ টি পি কপ হায়না খঙনরবা টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি'গী মেচ অমদা বলগেরিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেন, গ্রুপ 'দি'দা ইটালি অমসুং রসিয়া অমদি গ্রুপ 'এফ'তা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জর্মনি মায় পাকখ্রে।

সিদনিদা গ্রুপ 'সি'গী ওইনা বলগেরিয়ান মোলদোভাবু মেচ ২-১দা থোইখি। সিঙ্গলসকী মেচ অনী বলগেরিয়ানা থোইরবা মতুং দবলসকী মেচ অদুনা মোলদোভানা থোইখি। হায়রিবা গ্রুপ অদুমক্তদা গ্রেট বৃটেননা বেলজিয়মবু২-১দা থোইখি। সিঙ্গলসকী মেচ অমমম থোইরবা মতুং দবলসকী মেচতা গ্রেট বৃটেননা থোইখি।

বেলজিয়মগী ষ্টিপ দার্সিসনা গ্রেট বৃটেনগী কেমরুন নুরিবু ৬-২, ৬-৪দা অদুগা গ্রেট বৃটেনগী দান ইভান্সনা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। অদুগা দবলসতা গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরে অমদি জো সালিসবুরিনা বেলজিয়মগী সেন্দর গাইল অমদি জোরান ব্লৈজেনবু ৬-৩, ৭-৬ (৯-৭)দা থোইখি।

গ্রুপ 'দি'দা ইটালিগী টিমনা নোরৱেবু মেচ ২-১দা থোইখি। সিঙ্গলসকী মেচ অমমম মায় পাক্লরবা মতুং ইটালিগী দবলসকী পেয়র সাইমোন বোলেলি অমদি ফাবিয়ো ফোগনিনা নোরৱেগী ভিক্টর দুরাসোবিস অমদি কাস্পর রুদপু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৩)দা মায়থীবা পীখি।

রসিয়া অমসুং য়ু এস এ লম্বা তৌনবদা অহৌবা সিঙ্গলস মেচ অনীমক রসিয়ানা থোইখি। রসিয়াগী মায়কৈদগী করেন খচানোব অমদি দানিল মেদবিদেব মায় পাকখি। দবলসকী কাংলুপ্তা য়ু এস এগী পেয়র ওসটিন ক্রাইজেক্ট অমসুং রজিব রামনা রসিয়াগী পেয়র অদুবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা ২-১দা মেচ অদু থোইখি।

গ্রুপ 'এফ'তা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়ানা কানাদাবু মেচ ৩-০দা থোইখি। সিঙ্গলসকী মেচ অনীমক ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেন অমদি এলেক্স দি মিনোরনা থোইরবা মতুং দবলসকী অকনবা মেচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী খৃষ্ট গুসিওন অমদি জেন পেয়রসনা কানাদাগী পেয়র অদুবু ৩-৬, ৭-৬ (৭-৩), ১০-৮তা থোইখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা জর্মনিনা গ্রিসপু ২-১দা থোইখি। সিঙ্গলসকী মেচ অমমম থোইরবা মতুং দলবসতা জর্মনিনা থোইখি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাথিয়ান য়াওবা এ এস ভি গ্রুনৱেটরবাগনা জর্মন কপ টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

নু উম, জন্যুৱারী ০৫(এজেন্সী):

জর্মনিগী সিটি নু উমদা লৈবা রাতিও ফার্ম এরেনাদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা জর্মন কপ টেবল টেন্নস চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় গনসেখরন সাথিয়াননা শরুক য়ারিবা ক্লব এ এস বি গ্রনৱেটরবাগনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন টি টি এফ লৈবর ওসেনহোজেনবু মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।



ফাইনেল মেচ অদুদা এ এস বি গ্রনৱেটরবাগ ক্লবনা টি টি এফ লৈবর ওসেনহোজেনবু মেচ ৩-২দা থোইখি। ফাইনেল মেচ অদুদা সাথিয়াননা গেম অমত্তা থোইবা ঙমখিদ্রবসু মহাক্কী অতোপ্পা টিমমেটশিং অদুনা মেচ ৩ মায় পাক্লকপদগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

সাথিয়াননা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয় সাং কুনবু ১১-৮, ৭-১১, ১১-৯, ৬-১১, ১১-৯দা থোইদুনা মহাক্কী টিম এ এস বি গ্রনৱেটরবাগ ফাইনেল য়ৌরকখি। ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা মেচ সাথিয়ান জাকুপ দিজাসকী মখুৎতা গেম ১-৩(৪-১১, ১-১১, ১১-৯, ৫-১১)দা মায়থীখি।


অনীশুবা মেচ অদুদা এ এস বি গ্রনৱেটরবাগকী শান্নরোয় দাং ক্যুনা টি টি এফ লৈবর ওসেনহোজেনগী সাইমোন গোজিবু ৩-১ (১১-৫, ১১-৯, ৭-১১, ১১-৭)দা থোইখি। অহুমশুবা মেচ অদুসু জি ৱাংনা ষ্টেফান ফেগরবু ৩-০ (১১-৬, ১১-৫, ১১-৭)দা থোইদুনা মেচ ২-১দা মাংজিল থাখি।

অদুবু মরিশুবা মেচ অদু সাথিয়াননা গোজিগা লম্বা তৌনবদা ১-৩ (৭-১১, ৫-১১, ১১-৭, ১০-১২)তা মায়থীবা নংখিবনি। মেচ ২-২ থোইনরবা মতুং ৫শুবা মেচ অদু এ এস বি গ্রনৱেটরবাগগী মায়কৈদগী দবলসকীদা কুই অমসুং রাজমুসেননা ফরগল অমদি দিয়াসপু গেম ৩-১ (৮-১১, ১১-৪, ১১-৪, ১১-৭)দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

# লালিগাদা বর্সেলোনা ইস্পানিওলগা ২-২দা দ্রো চৎখ্রে, রিএল মাদ্রিদনা গেতাফেবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা পোইন্ট মান্নখ্রে

বর্সেলোনা, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা স্পেনিস ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেচ অমদা চেম্পিয়ন ক্লব বর্সেলোনা অমসুং লীগ অসিগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈবা স্পেনিওল ক্লবকা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা লীগ অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা রিএল মাদ্রিদনা কেতাফে ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট মান্নবা ঙমখ্রে।



ইসপানিওলনা য়ুম্বু ওইদুনা আর সি দি ই ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা হাফকী ২৩ শুবা মিনটতা ইসপানিওলগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা মার্ক রোকানা পীরকপা পাস অমদা দেবিদ লোপেজনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা বর্সেলোনাবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি। পোইন্ট ৩৯ ফংদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা বর্সেলোনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ ইকুই কুইদ্রিঙৈ বর্সেলোনাগী জোর্দি অলবানা পীরকপা পাস অমদা লুই স্বারেজনা ইক্কেলাইজর অদু ৫০ শুবা মিনটতা চনখি। মিনট ৯ লৈরগা লুইজ স্বারেজনা ফজবা বোল অমা পাস পীখিবদা টিমমেট অলতুরো ভিদালনা পাঞ্জল চন্দুনা ইসপানিওলবু মখোয়না ২-১দা মাংজিল থাখি। ৮৮ শুবা মিনটতা ইসপানিওলগী মাতিয়াজ বর্গাসনা পীরকপা বোল অমদা চাইনা মচা ৱু লৈনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ঙরাং গেটাফেনা য়ুম্বু ওইরগা রিএ মাদ্রিদকা শান্নখিবদা পাঞ্জল ০-৩দা মায়থীবা পীখি। অহানবা পাঞ্জল অদু গেতাফেগী দেবিদ সোরিয়ানা ওন গোলদা চনখি। শান্নবগী ৫৩ শুবা অমসুং ৯০ শুবা মিনটতা রিএল মাদ্রিদকী রাফেল ভরানে অমদি লুকামোদ্রিকনা পাঞ্জল ২ হাপচিনখি। রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলো মেচ ১৯/১৯ শান্নবা লোইশিনখিবা পোইন্ট ৪০/৪০ ফংদুনা মান্নরি। অদুবু গোল দিফরেন্সতা বর্সেলোনা ২৬ ফংদুনা রিএল মাদ্রিদনা ২৪দা লৈদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।